

*বায়র মুনিকনা সিজন অসিগী লোয়শিনলকপদা সালকেদগী খূৎয়েক পীনগদৌরিবা অন্দর–২১ গোল কিপ্পর এলেক্সজেন্দর ন্যু বেল*

*ট্রাউ এফ সি অমদি পঞ্জাব এফ সিগা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচতা হিরো ওফ দি মেটচ তাখিবা ট্রাউগী ফালগুনি*



# ট্রাউ পঞ্জাব এফ সিগা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ* হিরো আই লীগ ১৩ শুবা সিজনগী মনুং চন্না ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ট্রাউ এফ সিগী অনীশ বা হোম মেটচ ওইনা পঞ্জাব এফ সিগা শান্নখিবা মেটচতা নাকল অনীনা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

য়ুম্বু ট্রাউগী কোচ দিটিরিস দিটি য়োসকী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখ্রবসু রিয়েল কাস্মিরগা দ্রো চৎখিবা ষ্টাটিং এলবেন অদুদগী কৃষ্ণনন্দা লৌথোক্তুনা অবেদলিদো টিটেদনা মহুৎ শীলহনখি। ভিজিটর পঞ্জাব এফ সিগী মায়কৈদগীনা এটেকিংদা দিপান্দ দিকানা, মিডফিল্ডদনা সঞ্জু প্রধান অমসুং দিফেন্সতনা বাইসা দেনিসনা লুচিঙদুনা কোচ য়াঙ চেন লোনা ট্রাউবু থেংন্নবা লাইন অপ অমা শেমখি।

ট্রাউনা মেটচকী অঙনবা মিনিটশিংদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখ্রবসু ভিজিটর পঞ্জাব এফ সিনা ট্রাউবু লাকশিন্দুনা অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুকশিং দি খুদুম চন্দুনা শান্নখি। পঞ্জাব এফ সিনা ট্রাউগী দিফেন্সতা অহোবশিং অদুগী তঞ্জা লৌদুনা ওই অমসুং য়েৎ থংবা ৱিং অনীমক্তগী ক্রোশিং কয়া তৌখ্রবসু থোয়না কন্নবা ফঙখিদে।

ট্রাউনা পঞ্জাব এফ সিগী এটেকশিং অদুবু ঙাথোক্লা হোৎনবদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফম কয়াদগী ভিজিটরগী মায়কৈদা ফ্রি কিকশিং ফঙহনখি অদবু হন্নাগী আই লীগকী চেম্পিয়ন অসিনা খুদোংচাবশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদবনা অরেম্বা তাখি।

ভিজিটর পঞ্জাব এফ সিগী মায়কৈদগী মিনিট ২৯ চৎপদা চথরকপা ফজরবা কাউন্টর এটেক অমদা ৱিঙ্কল চোথেনা টিমগী কেপ্টেন সনঞ্জু প্রধানদা খায়দোরত্তুনা কাওরকখিবা বোল অদু য়ুম্বুগী গোল কিপ্পর মিথুন শমন্তনা ঙাথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি।

পঞ্জাব এফ সিগী মায়কৈদগী সনঞ্জু প্রধান অমসুং কেলবিন লোবোনা মখোয়গী মিডফিল্ডদগী মশক থোকপা প্রফোমেন্স উৎতুনা শান্নখিবনা ট্রাউগী দিফেন্দরশিংদা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহনদুনা কাউন্টর এটেক কয়া চথখি। অদুব মখোয়গী এটেক্করশিংনা খুদোং চাবশিং অদু নীংথিনা ফিন্সিং পীবা ঙমখিবদনা নীংবা কায়খি।

মেটচকী মিনিট ৩৭ চৎপদা য়ুম্বু ট্রাউনা তাঙনা ফঙবা খুদোং চাবা অমদা লাইশ্রম প্রেমজিৎনা য়েৎ থংবা ৱিংদগী খোঙজেল য়াঙনা পুশিন্দুনা অবিসেক দাসনা চেনলকপা মায়কৈ তম্না খায়দোরকখিবা ক্রোশিং অদু দাসনা এটেম অতৌবদা কোস বার মথক্তা চৎখিবনা নীংবা কায়খি।

অনীশুবা হাল্ফতা য়ুম্বুগী দিনাচন্দ্র অমসুং প্রেমজিৎনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোরত্তুনা শান্নবা হৌরকখিবনা য়ান চেন লোগী টিম পঞ্জাব এফ সিবু লাঙতক্নবা পোকহনখি। য়ুম্বুগী মিডফিল্ডরদ ফালগুনিনসু মখোয়গী ষ্ট্রাইকর প্রিন্সৱিল অমসুং টিটেদকী খুদোং চাব কয়া শীন্দুনা মশিং থিঙমদনা বোল খায়দোকখি অদুবু পঞ্জাব এফ সিগী বাইসা দেনস অমসুং অগষ্টো এজিবিদোনা লুচিঙবা দিফেন্স লাইন অপনা ফক্লাংগুম চথরকখিবশিং এটেকশিং অদু ঙাকথোকখি।

মেটচকী মিনিট লোয়রমদাইদা ট্রাউনা বেঞ্জতগী জিরাট ৱিলিয়ম অমসুং তোনমোই জোস থাজিনলক্তুনা দিমিটিরিসনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা পঞ্জাব এফ সিদগী পোইন্ট ৩ মুনহৌনবা হোৎনরবদসু ভিজিটরগী টিমনা মেটচ অসিগী অরোয়বা মীকুপ ফাওবা খোঙফম চেংনা লেমখিবনা মায় পাকপা ঙমদনা লৈখিবদগী নাকল অনীনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসিগী হিরো ওফ দি মেটচনা য়ুম্বু ট্রাউগী জর্সি নম্বর ৬ কোন্সম ফালগুনি তাখি। মেটচ অসিদা ট্রাউগী জর্সি নম্বর ৪ সোরাইশম সন্দিপ অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ অবিসেক দাসতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ট্রাউগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৮ গী নুংথিল পুং ২ তবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকা এফ সিগা শান্নরগনি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ফর্টোদাদা শান্নখিবা মেটচতা চুর্চিল ব্রাসরস এফ সিনা ক্যুয়েস ইষ্ট বেঙ্গলবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

| | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers FC Goa | 4 | 3 | 0 | 1 | 9 | 4 | 5 | 9 |
| 2 | Punjab FC | 6 | 2 | 3 | 1 | 8 | 8 | 0 | 9 |
| 3 | Quess East Bengal | 5 | 2 | 2 | 1 | 8 | 5 | 3 | 8 |
| 4 | Mohun Bagan | 4 | 2 | 1 | 1 | 8 | 5 | 3 | 7 |
| 5 | Gokulam Kerala FC | 3 | 2 | 0 | 1 | 4 | 3 | 1 | 6 |
| 6 | Aizawl FC | 5 | 1 | 3 | 1 | 6 | 6 | 0 | 6 |
| 7 | Chennai City FC | 5 | 1 | 2 | 2 | 6 | 8 | -2 | 5 |
| 8 | Real Kashmir FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 5 | 4 | 1 | 5 |
| 9 | NEROCA FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 5 | 8 | -3 | 4 |
| 10 | Indian Arrows | 4 | 1 | 0 | 3 | 3 | 5 | -2 | 3 |
| 11 | Tiddim Road Athletic Union | 5 | 0 | 2 | 3 | 3 | 9 | -6 | 2 |

# এস এফ সি অমদি পময়াল মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ১৭ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা টিম ১০না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নবা হৌখিবা ৩১ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি অর্তিফিসিয়েল তফতা শান্নখিবা টুর্নামেন্টগী ১৫ শুবা মেটচতা এফ সি এ অমদি আইএফ সি গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে। অনীশুবা গ্রাউন্দা ১৬ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এস এফ সিনা আইদেল এফ সিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা ১৭ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা পময়ালনা কে ৱাই ভি ওবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। ১৮ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদনা ই এস য়ুনা আর এ এফ এবু ৪–০ দা থোয়খ্রে।

# সিলভর মেন্ডালিস্ট চিংলেম্বা ওকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ* নেপালদা মমাঙ থা ১ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা সাউঠ এসিয়ান গেমসগী টাইকুন্দো মশান্নদা সিলভর মেদল ফঙলকখিবা সোয়াম চিংলেম্বা ঙসি ক্রিয়েটিপ টাইকুন্দো ইন্সটিট্যুদ ( সি টি আই ) শগোলবন্দনা তরাম্না ওকখ্রে।

লাঙজিং অচৌবা মখা লৈকাইদা লৈবা ইন্সটিট্যুদ অসিগী ট্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাঙজিং অচৌবা জিপিগী প্রধান মোঙজম রোমেন, ইন্সটিট্যুদ অসিগী প্রসিদেন্ট তাওরেম সুভাচন্দ্র, আর কে ফোরচুন দিভলপ্পর প্রাইবেদ লিমিটেদকী মেনিজিং ডাইরেক্টর আর কে রামেশ্বর অমদি মাইপাকপী মেন্টরনিটি এন্দ চাইল্ড হোস্পিটালগী চাইল্ড ডা. লোঙজম বসন্তনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগামরী লৈন্না ক্রিয়েটিপ টাইকুন্দো ইন্সটিট্যুদগী ওজা তখেলম্বম রাজুনা ফোঙদোকখিবদা ইনিদয়া অসি টাইকুন্দো মশান্নগী ওইনা ক্বালিফাইদ ঙমদ্রি। অদুবু ইন্সটিট্যুদ অসিদগী অফবা শান্নরোই পুথোক্তুনা ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াবু মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াবা হায়বসি মঙলাননি।

ঙসি সাউঠ এসিয়ান গেমসতা ইন্সটিট্যুদ অসিদগী হৌখিবা শোইরাম চিংলেম্বনা সিলভর মেদল লৌরকপা হায়বসি ইন্সটিট্যুদ অসিগী ওইনা চাওথোকচনিঙাইনি। লোয়ননা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিং অসিদা মহাকুম্না হোৎনন্নিংবা ফাওরক্ত বগী ৱাখলোনদা ঙসিগী ওকপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

তুংদসু অফবা শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী থজবা থম্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সিলভর মেন্ডালিস্ট শোরাম চিংলেম্বা অমদি চহী অসিগী ওইনা ষ্টেট, নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নলগী থাক্তগী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদামেদল ফঙলকখ্রবা সি টি আই শগোলবন্দগী শান্নরোইশিং দা অচম্বা খূদোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।


## In the Court of Sub-Deputy Collector
### Konthoujam, Imphal West, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 03/SDC/IW (K) of 2020*

Keisham Nandalal Singh of S/o (L) Ibomcha Singh of Moidangpok Khunou Awang Leikai
***- Petitioners***

***-Verses-***

Late Keisham Ibocha Singh S/o (O) Tomba Singh of Moidangpok
***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 04/01/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টদার Keisham Ibocha Singh পীং মৃঃ Tomba Singh সাং Moidangpok Khunou গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 82- Moidangpok Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 29/266, দাগ নং 120/329 অমসুং এরিয়ানা .14 acre চাওবা Ingkhol অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Konthoujam, Imphal West

**SL/B(K)(1)/05**


# লবান ক্লব সি সি মীটতগী স্কেটচ তৌখিবনা এস এস য়ু ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না লবানে ক্লব শিল্লোং নন–বোনাফাইদ প্লেয়র শীজিন্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক চথরিবা ৬২ শুবা সি সি মিট ২০১৯ গী অর্টিকল নম্বর 4 (i) of the Regulation মখাদা মতিক চাবা লোন এপ্লাই তৌবগী অমসুং ট্রান্সফর তৌবগী চে চাং অম্ফানা পীখিবা মতমগী মনুংদা পুথোকপা ঙমদবদগী ঙসি অম্ফাগী এডুকেটিভ কাউন্সিলগী মীফমনা লবান ক্লব শিল্লোংবু টুর্নামেন্ট অসিদগী লবান ক্লব শিল্লোংবু স্কেটচ তৌরে হায়রি।

মরম অদুনা টুর্নামেন্টগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা লবান ক্লবগা শান্নগদবা টিম এস এস য়ু শিংজমৈ ফাইনেল চঙলে।

চেরোল অসিনা মখা তানা লবান ক্লবকী নন– বোনাফাইদ শান্নরোইশিং অদুদি– তৈবোনলাং সিয়াংশাই অমদি ভিক্টর শলামনি হায়রি।

অমারোমদা ঙসি ফমখিবা এডুকেটিব কাউন্সিলগী মীফম অদুনসু ক্লাসা কৈনৌবু ৬২ শুবা সি সি মিট ২০১৯ গী অর্টিকল নম্বর 4 (i) of the Regulation মখাদা ফ্রাওদুলেন্ট প্লেয়র শীজিন্নবগীদমক টুর্নামেন্ট অসিদগী স্কেটচ তৌরে হায়রি।

# মলেমঙানবীনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৪ (এস এন এস)ঃ* দিল্লিগী টয়ারাগাস ইন্দোর হোলদা থা অসিগী ৩ দগী হৌদুনা চথরিবা ৬৫ শুবা নেস্নেল স্কুল গেমস ইন থাঙ–তাগী চহী ১৪ মখা নুপীমচাগীদা মণিপুরগী এস মলেমঙানবী চনুনা গোল্ড মেদল অমসুং এস মিলিনিয়ারি, লিম্হোই অমদি টিনা থোকচোমনা সিলভর মেদল ৩ লৌদুনা পূন্না মেদল ৪ লৌখ্রে। ষ্টেটকী টিম অসি রিতানা মেনেজর অদুগা টি ঐচ লোকেশ্বর অমসুং এন সুমোবলানা কোচ ওইনা লুচিঙল্লি।


## In the Court of Sub-Deputy Collector
### Konthoujam, Imphal West, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 04/SDC/IW (K) of 2020*

1. Nongmaithem Gobin Singh S/o (L) Kulla Singh of Bamdiar Chingmang
2. -do- Sharat Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Kamala Devi W/o (L) Noren Singh of -do- of -do-
4. -do- Nitish Singh S/o (L) Noren Singh of -do- of -do-
5. -do- Sanatomba Singh S/o Gandha Singh of -do- of -do-
6. -do- Jotin Singh S/o Gandha Singh of -do- of -do-

***- Petitioners***

***Verses***

Late Nongmaithem Kulla Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Yarou Bamdiar
***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 04/01/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টদার Nongmaithem Kulla Singh পীং মৃঃ Ibomcha Singh সাং Yarou Bamdiar গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 88-Bamdiar গী অনৌবা পাট্টা নং 287(New), দাগ নং 1176, 2253 and 1155 কী পোইন্ট .90 acre, .57 acre and 1.12 acre চাওবা ইংখোল অমসুং ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।
দাগ নং: 1176 কী পোইন্ট .90 acre
Applicant No. 1 - .295 acre
-do- 2 - .295 acre
-do- 3 - .31 acre
Dag No. 2253-.57 acre
Applicant No. 1 - .24 acre eastern side
-do- 4 - -do-
-do- 5 - .11 acre
-do- 6 - .12 acre
Applicant No.4- Dag No. 1155 -1.12 acre গী লম।

মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Konthoujam, Imphal West

**SL/B(L)(2)/05**



## In the Court of Sub-Deputy Collector
### Konthoujam, Imphal West, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 06/SDC/IW (K) of 2020*

1. Maisnam Dolen Singh S/o (L) Ibetonbi Singh of Maisnam Kangmong
2. -do- Nongyai Singh S/o (L) Pungjao Singh of -do-
3. -do- Suresh Singh S/o (L) Laingam Singh of -do-

***- Petitioners***

***Verses***

Late Maisnam Naran Singh S/o (L) Gopal Singh of Kangmong Maisnam
***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 04/01/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টদার Maisnam Naran Singh পীং মৃঃ Gopal Singh সাং Kangmong Maisnam গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 98- Kangmong গী অনৌবা পাট্টা নং 604(N), দাগ নং 1542 অমসুং এরিয়ানা 0.39+195+.195=.78 acre চাওবা Ingkhol অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবিনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Konthoujam, Imphal West

**SL/B(K)(3)/05**


# জে ৱাই সি টিম মায় পাকখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারি ০৪ ঃ* ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা মোইরাংথেম যোধিসচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০দা জে ৱাই সি জাইরোলপোকপী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টগী অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা জে ৱাই সি জাইরোলপোকপীনা দিগর হমার স্পোর্টিং ক্লব কছার অসামবু পেনাল্টি সুট ওউটতা গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা ই দিঙ্কুনা সেন্টর রেফরি অদুগা বিশেশ্বর সিংহ অমদি অখানা সিংহনা এ আর–১, এ আর–২ অদুগা এ অনিলনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।







**FOCUS**

**The Conceptual study Circle**

**Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road**

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021

- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.



For Further information pliz Contact # 9774770388

SL/5669/3+15 days


ক্রোসৱার্দ ৩৯০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | M | C | E | E | | S | T | I | R | | R | A | P | T |
| C | A | U | S | E | | L | A | C | E | | E | L | L | A |
| H | I | B | E | R | N | A | T | E | D | | P | E | A | K |
| O | L | E | | | O | V | E | R | T | | A | C | N | E |
| | | | S | E | D | E | R | | A | R | I | S | E | N |
| P | A | S | T | A | S | | | A | P | E | D | | | |
| O | S | C | A | R | | C | A | M | E | O | | P | U | B |
| P | E | A | R | L | | A | L | I | | R | E | E | S | E |
| E | A | R | | I | D | L | E | D | | D | A | T | E | S |
| | | | R | E | E | F | | | D | E | S | E | R | T |
| C | A | M | E | R | A | | A | D | O | R | E | | | |
| A | L | A | S | | D | R | I | E | R | | | A | R | F |
| D | A | R | E | | P | O | S | T | M | A | S | T | E | R |
| E | M | I | T | | A | B | L | E | | P | H | O | N | E |
| T | O | E | S | | N | E | E | R | | R | E | P | O | T |